# Euthanasia (mercy killing) : শিবগী মতম ঙাইদুনা লৈরবা মীওই অমবু ইন্টেনশনেল্লি পূন্সি লোমহনবগী থৌওং

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াত্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com



অনা লায়েংগী খুদোংচাবা মরাং কায়না ফংদ্রিঙৈ মাইবা নৎত্রগা লৈকায়দুগী খুঙ্গংদুগী লমদমদুগী কম্পাউন্দরশিংনা অনা-লায়েংগী হীরমদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। সিরিয়স ওইবা অনাবা কয়া মাইবনা খূৎ থারে, চাও-থকউ হায়বা য়াদ্রে, ঈশিং য়াউম অমা ফাওবা থকখিদ্রে হায়দুনা অহিং য়ারেক্তুনা অনাবা মীওই অমবু শিবা ঙায়দুনা লৈবগী থৌওং কয়া লৈখি। অসিদসু নত্তনা পীজ-পীথক তৌবা নৎত্রগা অনাবা ফগৎনবা থৌরম পূম্নমক লেপ্তুনা মিহুন হুল্লিবরা, শ্বর হোল্লিবরা হায়দুনা মাইবনা অহিং য়ারেক্তুনা অনাবা শেন্নবা থৌদোক কয়াসুনি। ঙসি হয়েং থোক্কনি (শিগনি) হায়না মাইবনা নুমিৎ থাবসু য়াওই। অসুম্না তৌবসিদা নারিবা মীওই অদুগী মপোক নুমিৎ হংগনি। অদুগা মাইবা অদুনা শিবগী নুমিৎ থাগনি। করিগুম্বদা অনাবা মীওই অদু শিবা থোক্ত্রবদি খোইদৌ-ৱা শান্নে হায়দুনা অনাবা মীওই অদুদা তায়শিনবসু য়াওই। কুইনা নাদুনা লৈরল্লবা ফগৎলকপগী মমি উদ্রবা, ফররোইদবা, শিবগী মতম ঙাইদুনা লৈবা মতমদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং পূন্না তান্নদুনা লাইরৈবাক্তা নুংঙাইনা চৎখ্রসনু হায়দুনা লায়েংবা নৎত্রগা শিদনবা হোৎনবা পাম্বে পূম্নমক তোক্তুনা লাইনীং লাইশোন তৌদুনা মীওই অদু লাইরমলেন য়ৌখিনবা হোৎনবা থৌওংসু লৈতবা নত্তে। মসিগুম্বা থৌওং অসিবু হৌজিক্কী মতমদা খঙনরিবা passive euthanasia হায়রিবসিগী থৌওংগুম্বনি। Euthanasia হায়বসি ফবা ঙম্লরোইদবা শিবগী মতম ঙাইদুনা লৈরবা নৎত্রগা মতম কুইনা ৱাখল মাঙদুনা লৈরবা ফগৎপা ঙম্লরোইদবা (brainstem death) মীওইশিংনা ওন্না থোয়না অৱা চৈথেং খাঙদুনা লৈরিবা নৎত্রগা মখল মখা কয়াগী সফরিং মায়োক্নরিবা কয়া অদু কোক্নবা ইন্টেনশনেল্লি পূন্সি লোমহনবগী থৌওং অদুবু খঙনৈ।

Euthanasia হায়বদি গুদ দেথকী থৌওং কয়ামরুম লৈ। মখোয় অদুদি :- active euthanasia, passive euthanasia, physician assisted suicide পনবা য়াই। Euthanasia হায়বদি তৌনীংনা তৌরগে হায়বা অমগা লোয়ননা মেদিকেলগী পাম্বে শীজিন্নদুনা শিবগী মতম ঙাইদুনা লৈরবা মীওই অমগী পূন্সি লোমহনবগী থৌওংনি। মসিগী মরু ওইবা ৱাখল্লোনদি অনাবা অদুনা মায়োক্নরিবা অৱা চৈনা নৎত্রগা অৱা পোৎলূমনা থল্লবা লায়ওং কয়া অদু কোকচখিনবনি। অদুবু অসুম্না তৌবা মতমদা নারিবা মীওই অদুগী অয়াবা রিট্টন কন্সেন্ট অমদি লৌবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মীওই অদুনা ৱাখল মাঙদুনা কোমাদা লৈরবা নৎত্রগা হিংলি হায়বদা ঙাইরবা অকোয়বদা করি থোক্লি, করি তৌরি হায়বা ঙমদ্রবা Vegetative state তা লৈবা মীওইশিং ওইরবদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা রিট্টন কন্সেন্ট পীবা য়াই। Euthanasia লৈবাক লৈবাক্তুগী মতুং ইন্না হীরম খরদা আইনগী ওইবা অয়াবা পীবা লৈরে। অদুবু হীরম অসিদা মীওই অদুগী রাইট টু দাই অমসুং মেদিকেল ইথিক্স কয়া খন্নদবা য়ারোই। মথক্তা পনখ্রে। Euthanasia মখল য়াম্মী। (১) Active euthanasia - হায়বদি ডাক্তর অমনা lethal injection কাপশিন্দুনা শিহনবা (২) Passive euthanasia - থৌওং অসিদনা অনাবা অদুদা Life sustein তৌনবা পীরিবা পাম্বে অদু লৌথোকপা নৎত্রগা পীবা লেপ্পা। (৩) Physician assited suicide - অসিদি ডাক্তরনা শিননবা ইঞ্জেক্সন পীবগী মহুত্তা ডাক্তরনা প্রেস্ক্রাইব তৌবা lethal drug অদু অনাবা অদুনা চাবা নৎত্রগা ইঞ্জেক্সন ওইনা কাপশিন্দুনা শিবগী থৌওংদুবুনি। Euthanasia নৎত্রগা মর্সি কিল্লিং হায়রিবা থৌওং অসিবু আইননা য়াবা থৌওং অমনি হায়না য়াদুনা চৎনরিবা লৈবাক খরদি Netherland, Belgium, Luxemburg, USA গী Washington, Oregon State পনবা য়াই। ইন্দিয়াগী ওইনসু passive euthanasia অসি আইননা য়াবা মওংদা চৎনরে। কেরলা অমসুং কর্ণাটকাদদি মসি চৎনবা হৌখ্রে।

Right to die with diginity হায়বা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০০৯দা সোশল এক্টিভিষ্ট অমসুং জর্নেলিষ্ট ওইবা মীওই অমখক্লা Aruna Shanbaug কৌবা কে ঈ এম হোস্পিটাল, মুম্বাইদা থবক তৌবা নর্স অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা পি আই এল কেস অমা থারকখি। ৱাহৌদি কুমজা ১৯৭৩গী নবেম্বর ২৭তা হায়রিবা নর্স অসি হোস্পিটাল অদুমক্তদা স্বিপর ওইবা নুপা অমনা সেক্স্যুএল এসোল্ট তৌবতা নত্তনা খৌরি চরম মেৎলগা হাৎনবা হোৎনখি অমসুং ব্রেনদা ওক্সিজেন ফংদবনা মরম ওইদুনা মতম কুইনা ৱাখল মাঙদুনা হোস্পিটালদা চহী ৪২ লায়েংদুনা লৈখি। কুইনা লৈরম্লবা মতুংদা নিমোনিয়া নারকপদগী কুমজা ২০১৫দা লৈখিদ্রে। পি আই এল কেস অদুগী মরু ওইবা অর্গ্যুমেন্টদি নর্স অদুনা হিংদুনা লৈরিবা মওং অদু "right to live with diginity" violate তৌই হায়বা ৱাফম অসিনি। পি আই এল কেস অদু কুমজা ২০১১গী মার্চ ৭তা সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখি। মরমদি মহাকপু লায়েংলিবা ডাক্তর টিম অদুনা Euthanasia (mercy killing) গী ৱাফম অদু য়াখিদে। পি আই এল কেস অদু রিজেক্ট তৌখ্রবসু সুপ্রিম কোর্টনা মখা তারকপদা passive-euthanasia গী থৌওং অসি আইননা য়াবা মওংদা অয়াবা পীখি। কুমজা ২০১৮দা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মঙাগী বেঞ্চ অমনা টর্মিনেল ইলনেশ হায়বদি ফরকপগী খুদোংচাবা লৈত্রবা শিবগী মতম ঙাইরবা নত্তনা ৱাখল মাঙদুনা Vegetative State অমদা লৈরবদি passive euthanasia শিজিন্নবগী অয়াবা পীখি। অদুবু active euthanasia অমসুং physician assited suicide কী ওইনদি অয়াবা লৈত্রি।

কনাগুম্বা মীওই অমদা passive euthanasia চখগে হায়বা তারবদি সুপ্রিম কোর্টকী গাইদলাইন ঙাক্লা চত্তবা য়াদে। মসিগীদমক্তা মীওই অদুনা Voluntary written consent অমা পীবা মথৌ তাই অমসুং "living will" অদু ৱিটনেস অনীগী মমাঙদা খূৎয়েক পীগনি। 'Will' অদু গেজেট্টেদ ওফিসর অমনা এটেচ তৌগনি। নারিবা মীওই অদুনা রিট্টন কন্সেন্ট পীবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈত্রবদি খুদম ওইনা মতম কুইনা ৱাখল মাঙদুনা কোমাদা লৈবা নৎত্রগা নারিবা লায়না অদুনা মরম ওইদুনা মহাক্কী অনীংবা অপাম্বা, তৌরিবা অদু করিনো খঙবা ঙমদবা (দিমেন্সিয়া) ওইরবদি ইমুং মনুং, গার্দিয়ান ওইরিবা মীওই অদুনা রিট্টন কন্সেন্ট পীগনি। অনাবা অদুবু য়েংলিবা ডাক্তরশিংগী মেদিকেল বোর্দ অমসু শেমগনি। বোর্দ অদুনা ইমুংগী মীওইশিংদা অনাবা অদুনা ওইরিবা ফীভম, ফগৎপা ঙম্লরোইদবা মওং অমসুং Life sustain তৌনবা চত্থরিবা লায়েং পথাপ ময়াম অদু ৱারী শাদুনা খঙহনগনি। হায়রিবা অনাবগী কন্দিশন অসি অতোপ্পা মেদিকেল বোর্দ অমনা অমুক য়েংগনি। বোর্দকী দিসিজন অদু পুং ৪৮গী মনুংদা পীবা ওইগদবনি অমসুং বোর্দ অদু মেম্বর ৩দগী তারোইদবনি। অসিদসু নত্তনা জুদিশল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস অমনা দিসিজন অদু এপ্রুভ পীগনি। লোয়ননা হায় কোর্টতা ইনফোর্ম তৌগনি।

ফগৎলকখিগনি হায়বগী থাজবা উদ্রবা অনাবা কয়া লাইফ সপোর্টকা লোয়ননা আই সী য়ুদা অরোইবা মীকুপ ঙাইদুনা লৈবা মীওই কয়া লৈরি। অসিদসু নত্তনা হোস্পিটালগী ৱার্দতা লাইফ সষ্টৈন তৌনবা হোৎনদুনা লৈবসু য়াওরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ডাক্তরনা মখা তানা লায়েংনবা এদভাইস তৌরবসু মদু থৌশাদনা ময়ূমদা পুথখিবসু য়াওই। মসিগুম্বা থৌওং অসিবু LAMA হায়বদি Left Against Medical Advise হায়না খঙনৈ। মসিগী মরম কয়ামরুম লৈবা য়াই। মরু ওইবা মরম খরদি - অনাবগী ফীভমদা অহোংবা লাকপা, শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লবা, ডাক্তরশিংগী লায়েংদা পেন্দবা, ইমুং-মনুংগী খুদোংচাদবা, অতোপ্পা লায়েংফম অমদা পুনবা থৌরাং তৌবা নৎত্রগা ফবা ঙম্লরোইদবা ফগৎলকপগী মমি উদ্রবা মওং অদুদা য়ূমদা ইমুং মনুংনা হোৎনজরুরগে হায়না খনবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। অসুম্না তৌবসিদা লাইফ সপোর্ট নৎত্রগা লাইফ সষ্টৈন তৌনবা খুদোংচাবা লৈতবদগী য়ূমদা শিবগী থৌদোক কয়াসু থোক্তবা নত্তে। অনাবা অদুগী ফীভম য়েংলগা ইমুং মনুং তান্নদুনা লাইফ সষ্টৈন তৌনবা হোৎনবগী মহুৎ অনাবা অদুনা পামজরম্বা মতুংইন্না লাইনীং লাইশোন তৌগনি, মিঙ্খ্রোন শক্কনি, লাইরিক তাগনি। নারিবা মীওই অদুগী থৱায় মিরেলনা লাইরমলেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা অমসুং নুংঙাইনা পূন্সি লোমখিনবা লাইনীং লাইশোন তৌবসু য়াওই। অদুবু চেকশিনগদবদি ঐখোয়গী অনীংবা অপাম্বনা মাঙওইনদুনা নারিবা মীওই অদুবু ইকায়খুম্নবা ৱাৎপা থৌওংদি চত্থরোইদবনি হায়বদি right to die with dignity violete তৌরোইদবনি অমসুং Sancity of life অদু লৈহনগদবনি। ইমুং মনুং ৱাবনা লোইরে, লন-থুম লোইশিল্লক্লে হায়বনচিংবা ইশাগী ওইজবা থিবনা মাঙওইনরোইদবনি।

মতম ঙাইদুনা লৈরবা, ফগৎলকপগী খুদোংচাবা লৈত্রবা অনাবা কয়া মেদিকেল ইথিক্স ঙাক্লা অমদি মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়ননা ডাক্তরশিংনা হোস্পিটালদা লায়েং চত্থরি। লাইফ সপোর্ট পীরি অমসুং মপূং ফানা রাইট টু লাইফ ফংহন্নবা হোৎনরি। অদুবু মেদিকেল প্রোফেশনদা লৈরিবা মীওইশিং নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা অসিগুম্বা অনাবশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা শেন্দাল লম্বী ওইনা চত্থরকপা তারবদি মসি লাইবক থীবনি। হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈবা মীওই শিবা মতমদা লায়েংবগী শেনফম শেংদোক্ত্রবদি দেদ বোদি, অশিবা হকচাং লৌবা য়ারোই হায়বনচিংবা ৱাথোক লৈখ্রে। মসিমদি দেদ বোদি অদু ইকায়খুম্নবা ৱাৎপগী থৌওংনি। টর্মিনেল্লি ইল ওইরবা অনাবশিং লায়েংবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা মতম চানা পাউ ফাওনদুনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা অদু খঙনবা হোৎনবীগনি। লায়েংবদা চঙগদবা চাওরাকপা শেনফম মাঙজৌননা খঙহনগদবনি। লায়েং অদুদা য়ানীংদবা থোক্লবদি LAMA ওইনা চৎখিবদা অকায়বা লৈতে। অসুম্না তৌবনা শিরিবা মীওই, অশিবা হকচাং অদুদা মপূং ফানা ইকায়খুম্নবা উৎপা ঙমগনি। ●

# মীখল ঙাইমিন্নরসি!

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

নোংমা মতম খরগী মমাঙদনি (কোভিদ-১৯ লাইচৎকা লাক্ত্রিঙৈ মমাঙগী ৱারীনি) চপ চাবা মতমদুমক্তি নীংশিংদ্রে, নীংশিংলিবা হায়ববু মতমদু ঐহাক পার্ট টাইম ওইনা নেটৱর্ক বিজিনেশ অমা তৌরম্মী হায়বখক্তনি। নুমিৎতো নুমিদাংগী পুং ১১ খরা হেল্লক্লবা মতমদা ঐহাক্না য়ূমদা হল্লকপগী লম্বীদা থেংনখিবা থৌদোক্লি। লম্বীগা তাইননা লৈবা লম্পাক অমদা ঈশৈগী প্রোগ্রাম অমা তৌরম্মী। মফমদুমক্তি হায়জররোই, অদুসু মফমদু ঐহাক্না এ সী পূন্দে হায়বসিমদি নীংশিংজরমগে। লৈকায়দুগী ক্লব বিল্ডিং অমা শঙ্গাবগা মরী লৈননা শিনবা থৌরম্নি হায়। মী য়াম্না তিল্লম্মী। লোয়ননা লাঙবগী চাংসু ফনা ফজনা ৱাংলে। ঙাইহাক লেপ্তুনা য়েংলুই, লাঙলিবা অদুদি শেল-থাবা তান্নবগী ওইরম্লে। ঈশৈ ফজবা-ফজদবা য়েংনদ্রে। শেলদি ফজনা থারে, খোমজিনবা ঙমদ্রে হায়বদুমক থোক্লে। ঐখোয়না শেল অসি য়াম্না লুনা লৌনৈ। করিগুম্বা শোয়খিবদগী খোঙনা শোকখ্রবদি লাইবক কৎনৈ। অদুগুম্না য়াম্না লুনা লৌনরিবা শেল (করেন্সি) অসি নুমিৎ অদুদদি ষ্টেজদা ফজনা চাইরে। ঈশৈ শক্লিবা অমদি শেল থাবা চঙলক্লিবা মীওইশিংনা ষ্টেজ কারগা শেল থাবদা খোঙথাফম লৈতদুনা নোটশিং অদুগী মথক্তা নেৎপসু য়াওরে। ষ্টেজদা চাইরিবা নোটশিং অদু অথাপ্পা মফমদগী য়েংবদা কয়া চৎপীনো হায়বা খঙবা ঙমদে অদুবু লুপা তরা চৎপীনা মশীং য়াম্না থানবনা তরা চৎপী ওইরগনি হায়না খল্লুবনি অদুবু থানরিবা অদুদি অয়াম্বনা ৫০ চৎপী ১০০ চৎপী ওইরম্মী। মমাঙদা নক্লা য়েংলিবা মীৎয়েংলোই (ভাবোক) শিংনা ঙাঙনরকপদগী খঙবনি, ঙাইহাক্কী মতুংদদি ৫০০ চৎপী থারে হায়নরকখি। নুমিৎতো শেল থাবদা হীদান্নখি। মমৈথংদা খঙলকখি মীরেপ ওইনা চোংথোক্কদবা মীওইনি হায়বা। ভোট লেপসু লেপখি, কাখি, ভোট কাদুনা এম এল এ ওইখি।

নোংমসু মশাগী এ সী মনুংদা পাঙথোকপা লান্ন-থৌরম অমদা থেংনৈ, ঐগা খঙনবদি নত্তে, ঐনা খঙবনি। অনানবা, অচৌবা গাড়ী অমদা লাকই সিক্যুরিটি পর্সনেল খরসু লোয়নরকই। সিভিল দ্রেসতা মীওই খরসু মতুং ইন্নরকই। মহাক্কী এক্টিভ ৱার্কর মাল্লি। নোংসু থিৎলি-থিৎলি চুই, লাকমিন্নবা নহা অমনা গাড়ীগী থোঙদু হাংদোক্লগা ছাটিন অপাকপা অমা পায়রগা ঙাই। এম এল এ অদু তপ্না কুমথরগা চঙমিন্নরকই। মান্দবতা কাখৎখিবগা মহাক্না থল্লম্বা শেন্দলদু লাকমিন্নবা ৱার্কর অমনা লৌশিল্লগা মফম অমদা থম্মী, নোং চোত্তনবা ওইরম্বা য়াই। মচিন্দা লৈরম্বা মীওই অয়াম্বা লেপখৎলগা মখূৎ লোন্নদুনা মহাকপু ওকই। থৌবুদুসু চেম্থোরক্তুনা মখূৎ লোন্নদুনা ওকই, তিল্লল্লিবা মীপূম খুদিংমক্কী মিৎয়েংফম মঙোন্দা ওই। পম্থদনা মন্দির ময়োলদা চঙদুনা শেল থারগা মমাঙদা ফম্বা মীৎয়েংলোইশিংগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই খরদসু শেল কৎলম্লগা, মখূৎ লোন্নদুনা থোরক্লগা চৎখি। মহাক্না থোরকপগা ৱার্কর অমনা মহাক্কী শেন্দল অদু মমাঙদা থমলৈ। চাউরে, চাউরে ঐখোয়গী লুচিংবশিং। মহাকথক্তা নত্তে অতৈ লুচিংবশিংসু অয়াম্বনা চাউই। কয়াদে চাউফম থোকই, চাউসনু মখোয়না চাউদনবু কনানা চাউগনি? মখোয়না ভোট কারক্লিবা অসিবু থা-থারা? লমদম অসিগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিং করম্বা মওংদা কারকখি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবনি। ইচম চম্না কারকপা নত্তে, কানবা হোৎনবদা তৌবা য়াবা-য়াদবা থিদনা, তৌফম থোকপা থোক্তবা য়েংদনা মায় পাক্লকপা মীহুৎ কয়া অমা য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লমদম অসিদদি ভোট লেপকে হায়রবদি পোলিটিক্স য়াওরুনু, শেল তাল্লু হায়নরিবনি, শেল য়াওদনা ভোট কাবা ঙমদে হায়বা মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবনি। শেলখক্তা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পাম্বে কয়া অমসু লৈরি, পূম্নমক্না খঙনরবনি কলম অসিদা মমি তাহঞ্জররোই। ঙসিদি মীখলগা পোলিটিক্সকা মরী লৈনদ্রে, পোলিটিকেল পার্টিসু এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্ট য়ৌনবগী লম্বী ওইনা লৌনরক্লে। পোলিটিসিয়নশিংবু ভোট লেপ্পা ফংলিবরা? লেপ্পবসু অয়াম্বনা কাবা ঙমদে। মমিং মথা পঞ্জরোই মাঙদা লৈরে মীয়াম্না য়েংবীয়ু, ঙসিগী ঐখোয়গী লুচিংবশিং পোলিটিসিয়ন ওইনা হৌরকপা কয়াম য়াওরিবগে? অয়াম্বনা কন্ট্রেক্টর টর্ন পোলিটিসিয়ন, ব্যুরোক্রেট টর্ন পোলিটিসিয়ন নৎত্রগা অদু তৌরম্মী, অদা তৌরম্মী হায়বনা অয়াম্বনি। ভোটরশিংগী অহানবা মীৎয়েংসু শেলদা ওই। কনাগুম্বা অমনা ভোট লেপকে হায়রকপদা অহানবা ৱাহংসি 'শেল কয়াম পায়রবগে' হায়বসিনা ওই।

শেল খরা পায়রল্লবা, জে সী বি অনী/অহুম, দিপ্পর খরা লৈরবা, লম্বী খরা শেম্লবা, খোংবান খরা কোৎলবা, এ সী মনুংগী অৱা-অনা, অশি-অনা খরা হংলবা, দেব কর্ম্ম থি-থিদুনা চৎলবা, শেম্থা-ফিথা তৌরবা, পৌরপ তৌবা পোৎয়েং পীরবা, ক্লব, এসোসিএশনগী এদভাইজর, প্রসিদেন্ট ওইরল্লবা ফঙ্কশন্দা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট তোয়না ওইরল্লবা ভোট লেপ্পা অদুম য়ারে, লেপসু লেপ্পরিবনি। কাবা কাদবা হায়বদুনা কেন্দিদেট অদুগী শেল পুথোকপা ঙম্বগী কেপাসিটি অমদি ৱার্করশিংগী হৈ-শিংবগী মখা পোল্লি। কাবসু অয়াম্বনা কায়, হৌজিক হৌজিকসু কয়া অমা য়াওরি। মখোয় অসি ঐখোয়গী মতিক চারবা লুচিংবনি হায়না লৌবা য়ারবরা? মতিক চাদে হায়রুবমক্তি য়াররোই। মশা মশাগী এ সীগী ভোটরশিংগী মেজোরিটিনা (অয়াম্বদি মেজোরিটি নত্তবজাৎনি, মশীং য়াম্বনা হায়বনা চুমগদবা মাল্লি) সপোর্ট তৌরবা, ঈ সী আইনা কারে হায়না সর্টিফাই তৌরবনা মতিক চারে হায়না লৌফম থোক্লে। অদুবু লাইবক থীবদি মীখলদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মীওই কয়াগী মথক্তা কোর্টতা অরানবা মওংদা কাখিবনি হায়না কেস তৌরক্লিবা অসিনি। মমাঙথক্তা কারে হায়না লাউথোকখ্রবা এম এল এ অরানবা ইনফোর্মেশন পীরম্বগী ৱায়েলশঙনা দিসক্কালিফাই তৌখিবগী ৱাফমসু লৈখ্রে। হৌজিকসু মীওই কয়াগী মথক্তা ৱায়েল চত্থরি, অরানবা ইনফোর্মেশন পীরম্লবদি দিসক্কালিফাই তৌরক্কনি।

ঈশৈদা লুপা ৫০০ চৎপী চাইথোকপা ঙম্বা, দেব-কর্ম্মদা শেল থাবা, পোৎয়েং চাউনা পীবা ঙম্বা, মশাগী অনীংবা অপাম্বা অমা ফংনবগী পান্দমদা খোংবান কোৎপা, লম্বী শেম্বগীদমক মখোয়বু সোশল ৱার্করগী মিংথোল পীরগা লৈবাক্কী লেজিসলেটর ওইনা থাগৎনরক্লিবা অসি অচুম্বা থৌওংলা হায়বদুসু নৈনবগী মথৌ তারে। ঙসি ঐখোয়না নংলিবা অৱাবা কয়াসি ঐখোয়না মীহুৎ লান্না খল্লুবগী ওইফম থোক্তবরা? করি থোক্লে ঙসিদি? ঐখোয়গী মীহুৎশিং মরোল থোকখিদ্রে, সেন্টরগী লুচিংবশিংনা ঙাঙবা তাবা নত্তনা হায়নীংবা তৌহন্নীংবা কয়া হায়বা ঙমদবা, তৌহনবা ঙমদবা মীওইশিংবু লুচিংবা ওইহল্লুবগী মহয়নি ঙসি ঐখোয়না ফংলিবা। সেন্টরনা তৌনীংবা তৌরকপদা করিবু হায়রুবা ঙল্লিবগে? মেজোরিটি লৈনা লৈনা লৈঙাক শেমগে ফাওবা হায়জবা ঙমজদ্রে। দেল্লী চৎলিবদি হপ্তা কাংদে, সেন্টরগী লুচিংবনা কৌরকপনি, হোম মিনিষ্টরনা কৌরকপনি হায়না চৎখিবা দেল্লী খোঙচৎ মশীংবু থিবা ঙমদ্রে, হল্লকপদা করি পাউবু পুরকখ্রবগে? এয়রপোর্টতা পাউমী উনদনবা লোৎপা লুচিংবসু য়াওরমগনি। সেন্টরগী লুচিংবশিংগী থৌজাল ঙাইবা তাবনি। হায়বা য়াববুদি হায়রমগনি মখোয়সু, দর্শন তৌরগা হল্লকপদি ওইরম্লোই। তৌবীরক্ত্রবদি করিবুদি তৌরুনি? লৈঙাক মূথৎলগা পি আর থম্লক্লিবা, অনৌবা লৈঙাক অমা অমুক শেমহন্দ্রিবা অসিগীসু মরম লৈরমগনি। হৌজিক মেজোরিটি লৈনা লৈনা লৈঙাক শেমহন্দ্রিবা অসি মতিক চাবা লৈঙাক চলাইবা ঙমগদবা লুচিংবা লৈত্রে, ঐখোয়না থাগৎখিবা মীহুৎশিংদা সেন্টরনা থাজবা লৈত্রে হায়না লৌবদা লাল্লগদ্রা? থাজবা থাজদবা, থবক ঙম্বা ঙমদবা থিদনা থেংলবসু থেংনা লৈঙাক অমবুদি শোয়দনা লাকখিগনি। এসেমব্লি দিজোল্ব তৌদ্রিবা অসিনসু লৈঙাক শেমহল্লকখিনি হায়বগী ইন্দিকেশননি। কুমজা ২০২৭কী অঙনবদা মীখল অমা থেংনগদৌরিবনি। সেন্টরগী লুচিংবশিংনা লৈঙাক লৈতনা মীখল থেংননীংগদ্রা? লৈঙাক লৈনা লৈনা দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্না লোক সভাগী মীখল থেংনবদা মণিপুরদা নিল চৎখিবদু নীংশিংলমগনি। তৌনীংবা তৌজসনু, করিসু কায়দে মখোয়গী মখূত্তা লৈবনি, তৌবসু তৌরক্কনি। হৌজিক মখোয়না ঙম্মী হায়বগী মতাগুম তৌনীংবা তৌবদা মরোল থোক্তবগুম য়েংদুনা লৈরিবা, মরাল লৈরবা মীগুম ৱাহৈ অমত্তা কাঙথোকপা ঙমদ্রিবা লমদম অসিগী লুচিংবশিং অসি ঐখোয়না খনখিবা ঙাক্তনি। হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয়না পামদ্রে হায়না লৌথোক্লুবা ঙমদ্রবসু থা ১৮গী মনুংদা শোয়দনা পাঙথোকফম থোক্লবা মীখল অদুদদি মখোয়দা শক্তি শিন্নবা শিন্নদবা ঐখোয়গী খূত্তা অমুক লাক্লগনি। মতমদুদা চেদা য়েকপা নোংশাগুম্না অদুম থমখিসিরা নৎত্রগা ঊচিদা হঞ্জিলহল্লসিরা হায়বদু ঐখোয়গী খূত্তা লৈরনি। মতমদু ফাওবদি ঙাইমিন্নরসি। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৫

– হৈস্নাম শ্যাম মঙাং –

তোঙান তোঙানবা শা মখলশিং হায়বদি নোংশা, কৈ, লমহুই, হূই, হৌদোং, য়োং, লিন, ওক, শামু, শগোল, ষণ, ঈরোই, শজি, উচেক-ৱায়া অসিনচিংবশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা শাপানশিং পান্নরকপনা মরম ওইদুনা মখোয় মখোয়গী হৈনবী, লমচৎ-শাজৎ, চাকচা-য়ুথকনচিংবসু অমত্তা মান্নদে।

নুংশা (নোংশা), কৈনচিংবনা অঙাংবা ঈবু খৌরাংই। মরম অদুনা অঙাংবা ঈ চেনবা শাদোং পক্লবা, মখোয়না শরাক তম্বদা লাইগদবা মতু শোনবা শজি, শঙাই, ষণ, ইরোই, মীনচিংবা অসি মখোয়গী শরাক শা ওইনরকই। নুপা-নুপী, লাবা-অমোম, অঙাং-অহল হায়রিবশিংগী শাদোং পকপা শরাক শা হায়না খায়বা লৈতে, শরাক শা অদুনা তূম্নরিঙৈ, হিপ্পরিঙৈ, পোখানরিঙৈ, চারিঙৈ, থক্লিঙৈ, মমা-মচা অনীনা খোল্লাং ঈন্নরিঙৈ, চেন চোংদুনা শান্নরিঙৈ অসিনচিংবগী তাঞ্জা খায়বা লৈতে, অফং-অফংবা হেক্তা লাক্কনি, হাৎকনি হায়বসিনা মখোয়গী হৈনবী, লমচৎ অমদি শাজৎনি। নুংশা (নোংশা) হায়বদি মকোক মনুংদুদা (নুং) মশাখক্কী ৱাখল খনবগী হৈনবী, লমচৎ অমদি শাজৎ অহুমসিবু লোয়নবা হায়বনি। কি (কৈ) হায়বদি অতোপ্পা থৱায় পানবশিংদা অকি তুজুং পোকহনবা ঙম্বগী ৱাখল, লমচৎ অমদি শাজৎ অহুমসিবু লোয়নবা থৱায় পানবা হায়বনি।

লমহুই হায়বা শা মখল অসিদি লৌনম ৱাখল চেনলি হায়বদি অতোপ্পগী হৈনবী ৱাখল লৌশিংবু (লৌ) নমথবা (নম্) হায়রিবা অসিগী হৈনবী, লমচৎ অমদি শাজৎ অহুম অসি লোয়নদুনা লাকই। (ৱাখল লৌশিং হায়বসিদা লম্, সনা-লুপা, শেল-থুম্নচিংবশিং য়াওরে। মরমদি মখোয় অসি ৱাখলগী পোথোকশিংনি) অতোপ্পগী ৱাখল-লৌশিংবু নমথনবা হোৎনবদা ওইদ-পাদবগী, তাৎ-পাৎকী, হুরানবগী, মীনম্বা ঙাঙবগী হৈনবী, ৱাখল, লমচৎ অমদি শাজৎ হায়রিবশিংসি লোয়নদুনা লাকপা মহাক অদু লমহুই মখল অমনি। মথক্তা পনজখিবা লম-তুনচিংবা লন-থুমশিংবু (লম্) নমদুনা অমদি হুরান্দুনা লৌনবগী হৈনবী ৱাখল, লমচৎ অমদি শাজৎ অহুমসি চেনবা থৱায় পানবা (হূই) অদুবু 'লমহূই' হায়না কৌনবনি।

'হূই' হায়বসিসু লমহূই মখল অমনি। হূই হায়বসিসু লমহূইগুম হুরানবগী হৈনবী, লমচৎ অমদি শাজৎ অহুমসি অদুম লোয়নরিবনি। হূইগী মমিৎ অদু হুরানবগী মিৎয়েং য়েংবনি। মী হায়বসিনা হূইবু য়োকপী-থাকপী তৌবগী মরমদি মখোয়গী ঈ তোংদা য়াওরকপা হূরানবগী হৈনবী, লীচৎ অমদি শাজৎ অহুম অসিবু হৈ-শিংলবা মী হায়বসিনা য়ূমদা চঙলকপা হুরানবা, মী হাৎপনচিংবা ফত্তবা তৌবশিং খঙদোক্লবা, ফানবা অমদি ঙাকথোক্লবা অদুগীদমক মখোয়বু য়োকপী-থাকপীরিবনি।

শা খুদিংমক্তগী খ্বাইদগী মপূ নীংবা শা অমা হায়রবদি হূই খক্তনি। হূই মপুদুনা হুরানবা, মীহাৎপা, মচিন থিবনচিংবা ওইনীংবা অমা ওইসনু হায়রিবা মপুদুনা হায়বা ইনবা হায়বসি হূইগী লমচৎনি। মপু মহাক্তং মশক খঙবনি অমদি মপুগীদমক মথৱায় ফাওবা থাদোকপা ঙল্লিবনি। অদুনবু মপুগী য়ূমদা চঙলকপা ইচম চমজবা, মরাল লৈজদবা নুপা, নুপী, অহল, অঙাং খাক্তবমখৈ চোংশিন চোংশিন্দুনা খোংলিবনি, তাঞ্জা ফংলগা লাক্লিবনি অমদি চিক্লিবনি। মনীং-মখা তম্লবা মশাগী ৱাখল লৌশিং মতুংইন্না মনীং তৌনা অচুম-অরান মশক খঙনা থবক থৌরম পাঙথোকপগী মহুত্তা মপুগী য়াথং মতুংইনবা থবক থৌরমদমক পাঙথোকপা থৱায় পানবা অদুনি 'হূই' হায়না কৌনগদৌরিবসি।

মীদি ওইরগা মীগী থাক্তগী কাখৎচবা ঙমজদদুনা শাগী থাক্তা কুমথখিদুনা মীনা ঙাঙগদৌবা ৱা ঙাঙদবমখৈ তূমিন্না লৈরগা মরক মরক্তা উমংদগী খোঙলকপা শাগী খোঞ্জেলগুম লাউ খোংলক্লিবা অমদি মানা হিংলিবা লৈপাক/মফম অদুদা মেন তানা লৈদুনা মীয়ামগী অফ-ফত্ত অমদি অচুম-অরান ফংদুনা তাবগা লোয়ননা মফমদুদা লেংদনা লৈবগী মহুত্তা উচেকনা কোইপাই পাইবগুম মালেমগী লৈবাকশিংদা কোইরিবা লমহূই ওইখ্রবা কনাগুম্বা অমগী অচুম-অরান অমদি অমাং-অশেং থিদনা মানা হায়রবদি হায়দুনা ইল্লিবা হূই মানবতা নত্তনা হূই ওইখ্রবা কনাগুম্বা অমা অমদি হূই ওইখ্রবা অদুগা (হূই) লোয়নরক্লিবা (লোয়) হায়বদি 'হূইলোয়' ময়ামশিং হায়রিবা মী মখল অহুম অসি মালেমগী লৈবাক লৈবাকশিংদা লৈরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

হায়রিবা লমহূই, হূই অমদি হূইলোয় অহুমসিগী ৱাখল-খোঞ্জেলনা (খোন) পুনীংবা মায়কৈদা (পু) পুবা নাইবা মী (নাই) হায়বদি খোনপুনাই (খৌবুনাই) ওইবা কনাগুম্বগী লমজিং মখাদা ঈলৈপাক (কংলৈপাক/মণিপুর) অসি... ● (মখা চত্থজরকখিগনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।